# হিদাকমনাগী পোৎলমশিংদা হেন্না চাউবা পিক্টোরিয়েল ৱার্নিং হাপ্পবা খঙহনখ্রে



**নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৪ঃ**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদা হেন্না পাক চাওবা পিক্টোরিয়েল ৱার্নিং হাপ্পবা খঙহনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিদা চাদা ৬০ দগী ৬৫ ফাওবগী চাংদা পিক্টোরিয়েল ৱার্নিং হাপ্পবা পার্লিয়ামেন্টরি পেনেল অমনা রিকমেন্দ তৌনবা খঙহনখ্রে হায়না টাইমস নাউনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সেনিয়ার লিদরশিংগা লোয়নন পার্লিয়ামেন্টরি পেনেলদা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা চয়েৎনবা লৈরিবা পেনেলগী ৱাখল্লোন লুচিংবশিংগা লোয়নন শেমদোকমিন্নবা পাল্লি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা বি জে পি নেসনেল একজিক্যুটিভকী বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা মীফমদা হায়, হিদাক মনাগী পোত্থোকশিং শিজিন্নবা হন্থহনবা দরকার লৈ। লোয়নন বি জে পি গী এম পি অমনা হিদাক মনাগী পোত্থোকশিং পুথোকপা ইন্দষ্ট্রিশিংদা শৌগৎতুনা হায়খিবা ৱাফম অদুবুসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ৱাফম অদু লনাই ওইবা মওংদা এম পি অদুনা হায়খিবনি। সরকার অসিগী ওইনা অদুগুম্বা ইশু অদু খন্নদুনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা হন্থহনবা পাল্লি।

পাউমীশিংনা হংলকপা ৱাহং অমগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পাউখুম পীবগী মহুৎতা ৱাফম অদু পার্লিয়ামেন্টতা লেপকনি হায়না ফোঙদোকখি। বি জে পি গী এমপিনা মমাংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অমসুং চুরুট থকপনাকেন্সর পোকহল্লি হায়বা চপ চাবা প্রমান লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

এম পি অদুতা নত্তনা অতোপ্পা বিজেপিগী সেনিয়ার লিদর অহুম্নসু ৱাফম অদু শৌগৎতুনা চুরুট থকপদা কেন্সর থোকহল্লি হায়বগী সাইন্টিফিক ওইবা ইভিদেন্স লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু ফোঙদোক্লখ্রবা মতুং হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা হিদাক মনাগী পোত্থোকশিং অমসুং চুরুটতা হেন্না পাক চাওনা ৱার্নিং তৌবা অয়েকপা লাইশিং হাপ্পবা ৱারেপ লৌখি। মদু চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিল ১ দগী হিদাক মনা হাপ্পা পেকেটশিংদা য়াওহন্নবা ওর্দর থোকখিবা লৈখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী ইন্টরিম রিপোর্ট অমনা হেন্না পাক চাওবা পিক্টোরেল ৱার্নিং হাপ্পবা ৱারেপ লৌখি। কম্মিটি অদু মহারাষ্ট্রগী বি জে পি এম পি দিলিপ এম গান্ধীনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা সিগরেট এন্দ অদর তোবাক্কো প্রদক্ট এক্ট ২০০৮ সু হন্না য়েংশিনখি হায়রি।

# সিমি মিলিটেন্ট অনি তেলঙ্গানাগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা হাৎখ্রে

**হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ৪ঃ**

তেলঙ্গনা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা সিমি মিলিটেন্টনি চিংনবা অনি হাৎখ্রে। হায়রিবা মিলিটেন্টশিং অদু ইং ২০১৩ গী ওক্টোবর থাদা মধ্যপ্রদেশকী কন্দৱা জেলদগী নাম্থোকখিবা মীওইশিংনি হায়রি।

দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অরুরাগ শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা মীওই অনিদু উত্তর প্রদেশতগীনি। হৌজিক মীওইশিং অদু চপ চানা মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি। মখোয় অদু অবু ফৈজাল গেংগী মখাদা লৈবা সিমি মিলিটেন্ট জাকির বদ্রান অমসুং অযুব অস্লম ওইরম্বা য়াই চিংনরি। ইন্টলিজেন্সকী সোর্স মতুং ইন্না মীওই অনি অদু চপ চানা মশক খঙদোক্লবগীদমক এন্টি টেরোরিষ্ট স্কৱাদকী টিম অমা চঙশিনখ্রে।

মমাং চহিগী ওক্টোবর ১ দা গন্দৱা জেলদগী আইন্না থিংখ্রবা ছাত্রশিংগী ওর্গনাইজেসন অমগী মীওই ৬ নাম্থোক্তুনা চেনখিবসু লৈখি। অদুগা অবু ফৈজাল এলাইজ ডাক্তর ইং ২০১৩ গী দিসেম্বর থাদা ফাখি। মহাক্কা চৎমিন্নবা অতোপ্পা মীওই মঙাদি ঙসি ফাওবা ফাবা ঙমদনা লৈরি। হায়রিবা মীওইশিং অদু টেরর এটেক কয়া চখবা মীওইশিংনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা তেলঙ্গানা পুলিসনা এপ্রিল ২ দা পুলিস তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী অকনবা মওংদা মীওই অনি অদু ফানবা ওপরেসন চখখি। নালগোন্দা দিষ্ট্রিক্টকী সুরিয়াপেদ বস ষ্টেসন্দা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুদা পুলিস কন্সটেবল অমা অমসুং হোম গার্দ অমা লৈখিদে। সিমি মিলিটেন্ট ওইরমগনি চিংনবা মীওই অনি অদুনা কারর্বাইন অমা অমসুং পিষ্টোল মফম অদুদগী পুদুনা চৎখি। পুলিসনা হায়, মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুনা লম্বী অদুদা লাকপা কার অমা খাম্নবা হোৎনখি। কার অদুনা খাল্লমদনা থৌখিবদা মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিনখি। মদুদা অতোপ্পা মীচম অমসু শোকখি। পুলিসনা মখোয়গী নেটৱার্কশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্দুনা মীওইশিং অদু ফানবা থবক লৌখৎখি। নালগোন্দা পুলিসনা ফংবা অকক্লবা পাউ অমদা মীওই অনি চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা সুরিয়াপেদ মনাক্কী অরভাপল্লিদা লৈবা দরগা অমগী মনাক্তা মীওই অনি লৈরে হায়বা খঙখি।

পুলিসনা মফম অদুদা ঙরাং নুমিদাং য়ৌবদা মীওইশিং অদু মফম অদুদগী চেনখি। দি জি পি শর্ম্মনা হায়, পেট্রোলিং চৎপা কন্সটেবল অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সিতারাম পুরম মনাক্তা মোটোর সাইকল অমদা চিংনবা মীওই ২ চৎলি হায়বা পাউ পীরকখি। পুলিসকী কাংবু অমা মফম অদুদা চঙশিনবদা মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অদুগা নালগোন্দাগী অত্মাকুর মন্দললোমদা মীওইশিং অদু নাম্থোক্তুনা চেনখি। লম্বীদা মীওইশিং অদুনা মখোয়না তোংবা মোটোর সাইকল অদু লংথোক্লমখি। অদুগা গন পোইন্টতা অতোপ্পা মোটোর সাইকল অমা লাক্তুনা চেনখি।

পুলিসকী টিম অহুল্লোমনা মনা–মশিং থাবা অমদি অশুকপা মোংশোংশিংদা মীওইশিং অদু লোৎলম্বা য়াই চিংনবদগী কোইশিন্দুনা থমখি। অমুক হন্না মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা কে নগরাজু কৌবা পুলিসকী গাড়ী থৌবা কন্সটেবল অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। নগরাজু থা মঙাগী মমাংদা লুহোংখিবা মীওইনি।

সব ইন্সপেক্টর পি সিধায়াসু থবাক্তা নোংমৈ মরু অমা পান্দুনা শোকখি। অদুগা সারকল ইন্সপেক্টর বলগাঙ্গি রেদ্দিনা খুৎতা নোংমৈ মরু অমা পান্দুনা শোকখি। পুলিসকী কাংবু অদুনা খুৎ হন্দুনা মিনিট ৩০ রোম নোংমৈ কাপ্নরবা মতুং মীওই অনি অদু হাৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা সুরিয়াপেদতা পুলিসকী টিম অমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বশিং অদুসু লৈখিদ্রবা মীওই অনিদুননি । মফম অদুদগী মখোয়না করবাইন অমা অমসুং পিষ্টোন অমা পুদুনা চৎখিবনি। শোক্লবা পুলিস পার্সোনেলশিং অদু হায়দ্রবাদতা লৈবা কামিনেনি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। এস আই সিধায়াগী ফিভম হৌজিকসু লুরি হায়রি।


# নোকফম্বী
## নোকমিন্নশী

## মনিনা হায়

মপুবোক মনিনা হিদাক থকচিল্লগা সন্ধ্যা খুদিংগী হঞ্জিল্লকই।
মরোল থোকপা কুইদ্রিবা মশুনুপানা হঙলকই
মশুনুপা – য়ু থকপ্রা ?
মপুবোক– মদু কনানা নঙোন্দা হায় ?
মশু নুপা – মনিনা হায় ।।

*শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদগী*
*আর কে বিমলনা থাবীরকপা*

## অদুননি ঐনা শেল পায়বা নুপী থিরিসি

পাখং অনিখক মখোয়গী পুন্সিগী লোয়নবী ওইগদবা নুপীশিংনা চেলহন্নিংবা মতিক মগুনগী মতাংদা ৱারী শান্নরম্মী—
পাখং অমনা হায়রকই, ‘‘মহৌশানা ওন–তৈনবা মতিক মগুণ লৈবা মীওইশিং লুহোংলবদি নুংঙাই য়াইফনা পাল্লি হায়নৈ। মসিদা নঙগী করি মত লৈ।’’
অতোপ্পা পাখংদুনা খুল্লকই, ‘‘অদুননিনে ঐনা শেল পায়বা নুপী থিরিসি।’’

*লমশাংদগী*
*হৈস্নাম খম্বনা থাবীরকপা*

## চাকচা মাঙদা চাদোইরা মতুংদা চাদোইরা

চহি লৈশিল্লক্লবা মশা নোইবী লৈশাবী অমনা মশাগী ফিগর শেমনিংদুনা ডাক্তর অমদা তান্নবা লাকই।
লৈশাবী–ডাক্তর ঐসে পংনোইদা নোইখৎলি। নোইমন্দুনা হকচাংসি কামখৎলে। মসিবু কৈদৌরগা ফগদগে ?
ডাক্তর– ডাইটিং খরা তৌদ্রবদি য়াররোই। তল ওইনা চারসি অয়ুক্তা তল অহুম মরি অমা ইঞ্চাং খরগা চারো। নুমিদাংদসু তলদু অহুম মরিদগী হেন্না চারুরনু।
লৈশাবী–তলশিংসিবু চাকচা মাঙদা চাদোইরা মতুংদা চাদোইরা ?

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদগী
থোকচোম ইবেনিনা থাবীরকপা

## ৱাকৎ মীফমদা চোপ্পা

মপান্দগী লাকপা মীতোপ অমখক মণিপুরদা লৈবা মহাক্কী মরুপ অমগী মনাক্তা মতম খরা লৈরম্মী। মখোয় অনিনা অসুম চথোকপদা ৱাকৎ মীফম, ধরনা ফম্বা ঙাক্তা উবদুদা মীতোপ্পুনা মমান্নবা অদুদা মৈতৈশিংসি মথৌ য়াম্না লৈতৱা ফম ফমদুনা লৈরিসিবো হায়দুনা করেম্নরম্মী।

মতম খরগী মতুংদা মৈতৈনি হায়দুনা চাওথোকচরিবা নুপাদু মীতোপ অদুগী মরমদমদা অমুক চৎলুবা মতমদা মী খরা পুলকলপ পুলপ ফমদুনা লৈরম্বা থেংনরম্মী। মহাক্কা লমন খুম্নবগী তাঞ্জা ফংলে খল্লদুনা মীতোপ অদুদা মী ফমলিবা মফম অদুদা গাড়ী থৌজিলহল্লম্মী। অসুম অসুম নক্কা থৌজিল্লক্লগদি লমন খুল্লগে খল্লিবা মৈতৈদু শাথিনা নিংবা কায়রম্মী। মফমদু য়ৌরবা কান্দদি ফমলল্লিবশিংদু মৈতে কাংবু অমনা লম্বী শেম্বীদবগী ৱাকৎ মীফম ফম্বা ওইরল্লে।

*হৈবোংপোকপীদগী*
*কাংজম মোহেন্দ্রোনা থাবীরকপা*


# উন নিঙখাইবদা লান্মী ৪ শিরে ১ থিবা খঙদ্রি

**জম্মু, এপ্রিল ৪ঃ**

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী লদাখ ফ্রন্টিয়ারদা উন নিঙখাইরকপদগী লান্মীগী গাড়ী ১ ননশিনখিবদা মীওই ৪ শিরে অদুগা অমনা থিবা খঙদনা লৈরি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু লদাখ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হুঞ্জিনবা চংলা খুঙ্গংদা চঙশিনখিবা লান্মীগী গাড়ী অমদা নিঙখাইরকপা উনশিংনা ননশিনখি। মদুদা লান্মীগী মীওই ৫ চঙশিনখি হায়না নোর্দন কম্মন্দগী ৱাঙাল এস দি গোশ্বামিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্ল হায়, মী কনবা কাংবুনা খুদক্তা চঙশিন্দুনা অশিবা হকচাং অনি লৌথোকখি। অদুগা মীওই অনিনা অরুবা ফিভমদা কনখি। কনখিবা লান্মীগী মীওইশিং অদু তুংদা লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১ থিবা খঙদ্রি হায়খি।

# কেসরি নাথ মিজোরামগী গভর্নর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

**আইজোল, এপ্রিল ৪ঃ**

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর কেসরি নাথ ত্রিপাথি ঙসি মিজোরামগী গভর্নর ওইনা আইজোলগী রাজভবনদা ৱাশক লৌখ্রে। গৌহাতি হায়কোর্টকী জজ জষ্টিস মাইকেল জোথানখুমানা ত্রিপাথিবু ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মিজোরামগী চিফ মিনিষ্টর লাল থান হাওলা, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এ শিং অমসুং সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

মমাং থাগী ২৮ দা মিজোরামগী গভর্নর আজিজ কুরেসি সেন্তরনা লৌথোকখ্রবা মতুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর ত্রিপাথিবু অহেনবা চার্জ ওইনা মিজোরামগী থৌ পুনবা হাপ্লকখি। সেন্তরগী থৌশিল অদুগী মতুং ইন্না ঙসি কেসরিনাথ ত্রিপাথিবু মিজোরামগী গভর্নর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

নিয়মগী মতুং ইন্না ত্রিপাথিনা মিজোরামগী লেংপুই এয়ারপোর্টতা থুংলবদা ষ্টেট পুলিসনা গার্দ ওফ ওনর পীবগা লোয়নন ওফিসিয়েল কয়ানা ওকখি। এয়ারপোর্টতা পাঙথোকপা ওকপগী থৌরম অদুদা লানথান হাওলা, হোম মিনিষ্টর আর লালজিরলিয়ানা, চিফ সেক্রেটরি লালমাল সাউমা, দি জি পি ধরমেন্দ্র কুমারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। চৈরকসিদা মিজো জিরলাই পাৱল (এম জেদ পি) নত্রগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন হায়নসু খঙনবা ছাত্রগী ওর্গনাইজেসন অমনা রাজভবন মমাংদা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখ্রে। ছাত্রশিং অদুনা য়ানিংদবা উৎতুনা স্লোগান কয়াসু লাওখি। মদুগী মনুংদা সেন্টরনা মিজোরামবু অমোৎ অকায় হুন্দোকফম ওইনা শিজিন্নরে হায়বনচিংবা য়াওখি। অজিজ কুরেসি লৌথোকখ্রবা মতুং ছাত্রশিংনা সেন্ত্রেল ওফিসশিংগী মমাংদা ঘেরাও তৌখি। লোয়নন প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা এপ্রিল ৯ দা ষ্টেট অদুদা লাকপদসু য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

# লেন্দ মাইন পোখাইরকপদা মীওই ৩ শিরে ১ শোক্লে

**জম্মু, এপ্রিল ৪ঃ**

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা ঙসি লেন্দ মাইন পোকখাইরকপদা মীচম অহুম শিরে অদুগা অতোপ্পা মীওই ১ না শোকহনখ্রে।

দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী মাইন্দ ফিল্ডদা হায়রিবা লেন্দ মাইন্দ অদু পোকখাইরকখি। মফম অদুগা তাইনবদা থবক শুবা মীওই খরা মথৌ তৌদুনা লৈখি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা লেন্দ মাইন লৈরিবা মফম অদুদা নক্কা চঙশিল্লুবদগী পোকখাইরকপগী মরম ওইরম্বা য়াই। মফম অদুমক্তদা মীওই ৩ অদু শিখি অদুগা অমনা শোকহনখি। শোক্লবা মীওই অদু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

খুঞ্জাশিংনা লৌ উরিবা মফম অদু মাইন এরিয়ানি হায়না মশক খঙদোক্লবা মফমনি। পোকখাইরকখিবা লেন্দ মাইন অদু এম ১৬ টাইপকী লেন্দ মাইন ওইরম্বা য়াই। লৌবুক অদুদা থবক শুখিবা মীওইশিং অদু বিহারদগী মফম অদুদা লৌ শিংউগী থবক তৌনবা পুশিল্লকখিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ছাত্র তরামাপল মলেসিয়াদগী হল্লক্লগনি



*অরানবা ভিসা পায়দুনা মালেসিয়াদা চঙখিবা ইন্দিয়াগী মহৈরোইশিং*

**নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৪ঃ**

মালেসিয়াদা অরানবা ভিসা পায়দুনা চঙখিবা ইন্দিয়াগী ছাত্র ১৯ অথুবা মতমদা ইন্দিয়াদা হলহল্লক্লবা লোক সভানা কোলালাম্পুরদা লৈবা ইন্দিয়ান হায় কম্মিসন্দা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা খঙহনখ্রে।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর (ষ্টেট) জেনরেল ভি কে সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়ান মিসন্না ছাত্র ১৯ অদুদা অথুবগী ওইনা সার্টিফিকেট অদু ইশু তৌখিবনি। ছাত্রশিং অদুনা হায়বদদি মখোয়গী পাসপোর্টশিং অদু ইমপ্লোয়রশিংনা ফাজিনখিবনি হায়রি।

ঐখোয়গী মিসন্না হৌজিক মালেসিয়া ইমিগ্রেসনগা লেপ্তুনা পাউ ফাওনদুনা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। মালেসিয়া ওথোরিটিগা হীরম অদুগী মতাংদা নক্কা খন্না নৈনরি। হৌজিক মালেসিয়াদা লৈরিবা ছাত্রশিংগী ফিভম, লৈবগী থৌরাংশিং এস ই এস কলেজ থানেগী প্রিন্সিপালনা য়েংশিল্লি। মখোয় মফম অদুদা লাইরিক তম্নবা চৎখিবনি হায়রি। ভি কে সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোলালম্পুরদা লৈবা ইন্দিয়ান হাই কম্মিসনগী খুত্থাংদা ইন্দিয়াদগী চৎখিবা ছাত্রশিং অদু অথুবা মতমদা হলহল্লক্লবা লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি। মালেসিয়া ওথোরিটিগী তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং লোইশিল্লবা মতুংদা ছাত্রশিং অদু হলহল্লক্লবা পাউ ফাউনরি হায়রি।

# অপোকপী মমাগী পোইলোইবগী মৈ চুখিবগীদমক নুপী অমা মবুংনা হাৎখ্রে

**রাইপুর, এপ্রিল ৪ঃ**

ছটিশগড়গী মোহাড়া খুঙ্গংগী সরপঞ্চ নুপী অমা চৎনবী থুগাইদুনা অপোকপী মমাগী পোৎলোইবগী মৈ চুখি হায়বগীদমক মবুংনা হাৎখ্রে।



তেজরাম বর্ম্মা কৌবা মীওই অদুনা মহাক্কী মচানুপী পিয়ুসকা লোয়নন চহি ৪৬ শুরবী গীতা প্রল্হাদ কৌবী নুপী অদুনা চৎনবীগী মতুং ইন্না মৈ চুরুরবা মতুং তুরেলদা ইরুজরিঙৈদা এটেক চখখি। গীতানা মহাকপু কনবীনবা খুঙ্গং অদুগী মীওইশিংদা চঙজখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মবুং তেজরামনা মহাকপু হঞ্জিন হঞ্জিন শিংজংনা য়ান্দুনা হাৎখি। মীওইশিং অদুনা গীতাগী মচানুপা বিক্রম অমসুং মচানুপী সিতাদসু এটেক তৌখি। মখোয়সু অরুবা ফিভমদা শোকখি।

মোহরা হায়রিবা খুঙ্গং অদু রাইপুরদগী কিঃমিঃ ৩০ রোম চৎলগা লৈবনি। মীওইশিং অদুনা এটেক চখরল্লবা মতুং শোক্লবী গীতা রাইপুরগী হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখি। অদুম ওইনমক মহাক লম্বীদা শিখি। তেজরাম অমসুং পিয়ুস পুলিসনা ফাখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসার অরুন দেবতানা ফোঙদোরকখিবদা তেজরামনা মখোয়গী মমা সরজুবাইগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা গীতাবু মৈ চুবা য়াখিদে। চহি অমগী মমাংদগী লন থুমগী য়েৎনবা লৈবদগী তেজরাম মহাক্কী অপোকপী মমাগা লৈমিন্নরকখিদবনি। মদুদগী সরজুবাই মহাক্কী মচানুপী গীতাগা লৈমিন্নরকখি। সরজুবাই শিদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী মৈ চুবদা মহাক্কী মচানুপী গীতানা পাঙথোকহন্নবা ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। সরজুবাই লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈখিদে। পোৎলোইবগী থৌরম অদুদসু তেজরাম য়াওখিদে। খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না তেজরাম পোৎলোইবগী থৌরম য়াওখিদ্রবা মতুং মচলনুপী গীতানা পোৎলোইবগী মৈ চুবগী ফোটোশিং লোকেল মেদিয়াশিংদা ফোঙদোক্লরকপদা য়ুম্লোন্নবশিংনা মহাকপু থিনা ঙাংনরকপা লৈখি। লন থুমগী মতাংদা হৌজিকসু য়েৎনবা লৈরি। গীতা অমসুং তেজরাম মখোয় অনিখক্তঃমক মমানা পোক্লম্মী। সরজুবাইগী লম একর ৭ হৌজিক তেজরামনা পায়শিন্দুনা লৈরি। লম অদুগী মতাংদা কেস তৌনদুনা লৈরি। কেস অদু হৌজিকসু লোইশিন্দ্রিবনি হায়খি।

# বি টি সি দা পেকেজ পীরগনি

**বোঙ্গাইগাও, এপ্রিল ৪ঃ**

অসামগী চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইনা বোদোলেন্দ টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলদা মখোয়গী পার্টিবু অমুক হন্না শক্তি পায়হল্লকপগী খুদোল ওইনা ষ্টেট সরকারনা লুপা ক্রোর ৫০০ গী কেপেজ পীরগনি লাওথোকখ্রে। অসামদা কংগ্রেস সরকার টার্ম অনিরক লৈরক্লি। মদুদা বোদোলেন্দ পিপলস ফ্রন্টনা অচৌবা মতেং পীরি। বি টি সি চাউখৎহন্নবগীদমক থাদখিবা শেনফমশিং মীচম য়ৌদনা মীওই খরনা খুদোংচাবা লৌদুনা লৈরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# এল পি জি পাইপ লাইন পোকখাইবদা অনি শিরে

**নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৪ঃ**

তেলঙ্গনাগী সুরিয়াপেদতা ষ্টেটনা চলাইবা জি এ আই এল ইন্দিয়া লিমিটেদকী এল পি জি পাইপ লাইন পোকখাইবগী থৌদোক্তা মীওই অনি শিরে।

থৌদোক অদু মীওইশিং অদুনা পাইপ লাইন অদু শেংদোকপগী থবক চখবদা থোকখিবনি। মীওই অনি অদু পোকখাইবা মতম অদুদা পাইপ লাইন অদুগী মচিন্দা লৈবনি। থৌদোক অদুদা মৈ হৌনা চাকপদি লৈখিদে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মীওই অমদি জি এ আই এলগী ইমপ্লোয়ি অমনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অদুনা কন্ট্রেক্টরনি হায়রি।


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal-East**
*Ref. :- Mutation Case No. 132/SDC/B/IE/2015*
Ningthoujam Barun Singh
S/o, (L) N. Thambalngou Singh
of Brahmapur Bheigyabati Leikai
**- Petitioner**
**-Vrs-**
Ningthoujam Thambalngou Singh
S/o, (L) Dhaballo Singh
of Brahmapur Bheigyabati Leikai
**- Pattadar**

**NOTICE**
*Bashikhong, the 4th April 2015*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫১–খোংমন পাট্টা নং ৭২৯ / ৯১৭ অনৌবা দাগ নং ৮৬০ / ১০৫৪ মোট এরিয়া .০৩৯৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নিংথৌজম থম্বালঙৌ সিংহ পীতা মৃঃ ধাবাল্লো সিংহ সাং বহ্মপুর ভৈগ্যাবতি লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা দরখাষ্ট কারি অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওম্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১–৪–১৫ গী পুং ১২.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি (objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি (objection) অমত্তা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East
*SL/C/5*



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal-East**
*Ref. :- Mutation Case No. 106/SDC/B/IE/2015*
Ningthoujam Barun Singh
S/o, (L) N. Thambalngou Singh
of Brahmapur Bheigyabati Leikai
**- Petitioner**
**-Vrs-**
Ningthoujam Thambalngou Singh
S/o, (L) Dhaballo Singh
of Brahmapur Bheigyabati Leikai
**- Pattadar**

**NOTICE**
*Bashikhong, the 4th April 2015*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫১–খোংমন পাট্টা নং ৭২৯ / ৯৯৫ অনৌবা দাগ নং ৮৬০ / ১১৩৫ মোট এরিয়া .০১৮৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নিংথৌজম থম্বালঙৌ সিংহ পীতা মৃঃ ধাবাল্লো সিংহ সাং বহ্মপুর ভৈগ্যাবতি লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা দরখাষ্ট কারি অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওম্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১–৪–১৫ গী পুং ১২.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি (objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি (objection) অমত্তা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East
*SL/C/5*


## খঙমিন্নসি

## লম্মিৎলোন

**ময়াংখাংঃ**

খৃষ্টাব্দ ১৬৫২ দগী ১৬৬৬ ফাওবা মৈদিঙু খুঞ্জাউবনামৈতে লৈবাক্তা নিংথৌ ওইবা মতমদামযাং লৈবাক কাছারদা লৈবা মতিক মথৌনা লৈবা ময়াংশিংনামৈতৈ লৈবাক অসি চাবা থকপা ৱাক্তে, চাহোং–ঙাহোংই খুল হোংসি খন্নদুনা মখোয় ময়াম হৌনরগা খুৎশু খুৎলাই পায়দুনা লান্দারক্তুনা লাকপদু লোইবী চীংথক্তগা লৈবা কোইরেং কৌবা চীংমী শিংনা উরদুনা ময়াং লাক্‌দবা লম্বীদা উজাউ য়াম্বুরগা লম্বী থিংলম্মী। খুল হোংলকপা ময়াংশিং অদু লম্বী থিংবদগী চৎপা য়াদদুনা মফম অদুদা ৱানা খাঙলম্মী হায়বগী মফম অদু ‘ময়াংখাং’ কৌনখি।

**মৌবীরোকঃ**

মৈদিংঙু খাগেম্বা লাক্লে পাউ তাবদা লোইবী চীংশাংদু খুন্দারিবা চীংমীশিংনা মৌবী ৱা অশংবা য়ান্দুনা ফোপ হারগা নাপীনা কুপ্লগা য়াওরৌ শাতানবদা পামদা শাবা শগাইগুম শারগা মৈতে নিংথৌবু লোক্তা ওক্লম্মী হায়বগী ‘মৌবীরোক’ কৌনখি।

**মকু লোকঃ**

চিংলেং নারল পাঙ্গলবা অমদি লৈরি লৈশং খোম্বী অনিনা পোকচবা মচানুপা থৈবোং অহনবা মনাওমোলখৈ অতোনবা অনিনা পাখং শারেপ ফারক্লবদা পলেম মমা লৈরি লৈশং খোম্বীনা চাবা থকপা ৱাত্তবা পম্থৌগী লমদম মৈতে লৈবাক্তা চৎলো হায়না থিনবীরকপদা লম্মখাংদা মচিন মনাওনা ঈশিং খৌরাংঙে থক্কে হায়রম্মী। মমানা ইচাশা, তাপুং কৌবা অচৌবা লোক অসিদি ঈশিং লৈত্রে হায়দুনা পাগী মথৌনা চেনবা পীগী মতিক লৈবা অতোইবা চীংগী লোক্তা কুমথরগা ঈশিং লৈব্রা য়েংলম্মী। অথোইবা চীংগী লোক্লুং অদু ঈশিং থন্না লৈরম্বদু উবদা মমা লৈরি লৈশং খোম্বীনা ইচানুপা অনিমক হৌজিক্তি ৱারগনু লাইনা কুবিরে নবুক থন্না ঈশিং থক্তুনা অরাম খৌরাংবা কোকচরো তাকপীখি। লাইনা কুবিবা লোকনি হায়বগী লোক অদুবু ‘মকু লোক’ কৌনখি।

**মাকলংঃ**

শেম্বী খবেগী মীনা হৈবু মাক কৌই, লাইজ ঈশিংবুনানম হায়নৈ। ঈশিং ঈপাকথক্তা ফজরবা হৈ মপুল অমা ঈলং লংনা লুফেৎ লুফেৎ তাউথরকপা উবদা শেম্বী কবোনা কুমথরগা হৈ লোকই। ঈশিংদা লংনা তাউথরকপা হৈবু লোকই হায়বদগী মফম অদু ‘মাকলং’ কৌনখি।

**মোলশাং খুলেনঃ**

চিংখোং পোইরৈতোন লৈমা লাইনাউতাবীগা অনিনা লোয়বী চীংদা মী লৈবা য়াবা অফবা শিদ নারোইদবা খুল থিরকপদা চীংলক্তগা চেনবা ঈশিং ঈরানবদা ঈশিং মনুংদা অশাংবানুং অমা থেংনবদু মোল্লিদা হায়না মাদুনা য়েংলম্মী হায়বগী মফম অদু ‘মোলশাং খুলেন’ কৌনখি।